# শা-ষণ য়োকপদা চেজনবা

সরাংথেম জেসমারানি

ঐখোয়গী লমদমসিদা শেন্দাল লন্বী অমা ওইনা শা-ষণ, য়েন-ঙানু কয়া অমা য়োক্লরি অদুবু য়োক্লিবা খুদিংমক মওং মরীল নাইনা য়োকপা হৌবদগী হৌনা চেজনবগী হৈনবীসি কয়া উবা ফংদে। য়োক্লিবা খুদিংমক্কী চেজনবা হায়বদি রেকোর্দ থম্বসি য়াম্না মরুওই। রেকোর্দ থম্বীবা হায়বসি য়াম্না লায়বা অমদি য়োক্লিবা খুদিংমক্কী মরী মখোঙ কয়া অমা ইদুনা থম্বীহৌরগা মদুদগী পায়খৎকদবা থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপা য়াই। রেকোর্দতা শা-ষণ য়োকপদা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরম খুদিংমক ইশিনবীবা, মাগী ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট, মপু/ডাক্তরশিংনা তৌরিবা থৌদাং কয়া অমা ইশিনবা য়াই। রেকোর্দশিংসি শা-ষণ মপুশিংনা নিংথিনা, ফজনা অমদি চুম্না ইবা মথৌ তাই।

**রেকোর্দতগী পীরিবসি :**

- ফার্মদুদা য়োক্লিবা খুদিংমক শেন্দোং লৈবা ঙল্লিব্রা হায়বদু খঙদোকপা ঙমহল্লি।
- কাউখ্রবা হীরম খুদিংমক অমুক নীংশিংহন্দুনা মখা চত্থবা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দ য়েংলগা ৱারেপ কয়া লৌবা ঙমহন্দুনা ৱারোইশিন অমা পীবা ঙমহল্লি।
- অনৌবা নৎত্রগা অতোপ্পা মওং অমদা য়োক্লিবা খুদিংমক্তা চঙলিবা ময়ামদু রেকোর্দকী মতেংনা কান্নরিবরা কান্নদ্রিব্রা হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা হান্নদগী শোথরল্লবসু মসিদগী হেন্না/ফনা থম্নবা মওংদা শেন্বীবা য়াই।

**রেকোর্দকী কান্নবশিং :**

- লোয়রিবা শা-ষণ খুদিংমক্কী শক্তাকপা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা অফবা শা-ষণ খনবদা অচৌবা মতেং পাংই।
- রেকোর্দকী মতেংনা নক্লবা ঈ মরীগী মচা লৌহন্দবা ঙমহল্লি।
- ফার্মদুদা লৈরিবা অফবা শা-ষণ খন্দোক্তুনা হেন্না শেন্দোং লৈনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংই।
- ফার্ম শেন্নরিবা শিন্মীশিংসু রেকোর্দকী মতেংনা নিংথিনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা ঙমহল্লি।
- রেকোর্দকী মতেংনা লায়না লায়ওং কয়া খঙদোক্তুনা অমুক হঞ্জিন্না লাক্তনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌবা ঙমহল্লি।
- অমাঙ অতোঙ কয়া অমসু খঙদোকপা ঙমহল্লি।
- শা ষণগী পুথোরক্লিবা পোত্থোক কয়া অমা রেকোর্দকী মতুংইন্না মমল তিক্লরগা য়োনবা য়াই।

**রেকোর্দকী মখল ঃ**

**মরুওইনা রেকোর্দ মখল খরা ঃ (ক) শক তাকপগী রেকোর্দ ঃ** করিগুম্বদা শা ষণশিং মশীং য়ামদনা থম্বা ওইরগদি শক তাকপগী রেকোর্দ থমদ্রগসু য়াই। য়াম্লগদি লায়না খঙবা ঙম্নবা শা-ষণ খুদিংমক্তা ট্যাটু তৌবা, মৈ ইকপা য়োৎনা হকচাংদা নম্বীবা, মনাদা নম্বর নম্বা নৎত্রগা কাচি কারোং শেমদুনা ককপা, মনাদা নম্বর য়াওবা থেৎপা, মমৈদা মশক খঙনবা থেৎপা অসিনচিংবা কয়া অসি তৌবা য়াই। মসিদসু নত্তনা মঙক্তা তোঙান তোঙানবা মচুগী থৌরি থুবা নৎত্রগা মশাদা কোক্তবা মচু কয়া শঙবা অসিনসু শক তাকপগী রেকোর্দ ওইবা য়াই।

**(খ) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ** মসিগী রেকোর্দসি য়াম্না মরুওই। মসিনা মচা লৌখ্রবা পুথোরক্কদবা পোত্থোক ময়াম অমা খঙবা ঙমহল্লি। ষণবুশিংনা চহী অমদা মচা অমা পোকপা হায়না পানরি। ওক্লা চহী অমদা মচা অনীরক পোকপা হায়না পান্নরি। করিগুম্বদা মচা লৌবগী রেকোর্দ ময়াম অমা থম্লগদি লৌখ্রিবা শা-ষণদুদা থোক্লক্লিবা অশোয় অঙাম ময়াম অমা মতম চানা লায়েংবা ঙমহল্লি। রেকোর্দ অসিদা হীট লাকপগী মতম, মচা লৌবগী মতম, করিগুম্বদা মচা কায়রকপা, মসিদা তৌবিহৌবা চেকশিন থৌরাংশিং, ময়াম অমা রেকোর্দকী মতুং ইন্না খঙদোকপীহৌরগা তুং কোয়না থমহৌবা য়াবা য়াদবা ময়াম অমা খন্দোকহৌবা ঙমহল্লি। অসিগুম্বা ব্রিদিংগী রেকোর্দসিদা লৈরিবা শা-ষণদুগী মমা মপা, মপু মবেনগী মরমদা ইশিনবীহৌবা, মচা লৌখিবগী, পোকখিবগী, চহী কয়া শুবদা অহানবা চাবোক ওইখিবা, থংননা পোকপা চাবোক অনী মতম অমদি পোক্লিবা মচাদুগী মরমদা হায়বদি পোকপগী মওং মতৌ, মচাদুদগী অরুম্বা অসিনচিংবা ময়ামসি রেকোর্দ ওইনা থম্বীবা য়াই।

**(গ) পোত্থোক পুথোকপগী রেকোর্দ ঃ** শা-ষণ, য়েন কয়া লোয়দুনা ফংলক্লিবা পোথোকশিংসি রেকোর্দ তৌশিনবীদুনা নোংমগী নৎত্রগা হাপ্তাদুগী নৎত্রগা মতম খরদুগী অমাঙ অতোং খঙদোকপদা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণদুনা পুথোক্লিবা পোথোকশিংদু য়েংলগা তুং কোয়না থম্বদা কান্নরিবরা কান্নদ্রিবরা হায়বদু খঙদোকপা ঙমহল্লি।

**(ঘ) মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দ ঃ**

মচিঞ্জাক্কী রেকোর্দতগী ঐখোয়না শা-ষণদা পীজরিবা মচিঞ্জাক্তুগী মখল, কয়া য়াম্না পীজখিবা অমদি মচিঞ্জাক্কী ক্বালিটিগী মরমদা খঙবা ঙম্মী। অসিগুম্বা রেকোর্দশিংদগী ঐখোয়না নোংমদা চহী খেন্নবগী মতুং ইন্না কয়াম য়াম্না পীজবা ঙম্বগে হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা কয়াম লেম্মী/মাঙই হায়বদুসু খঙবা ঙমহল্লি। পোত্থোক পুথোকপগী রেকোর্দকা মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দকা য়াম্না মরুওই। মরমদি পুথোরক্লিবা পোৎথোক হায়বদি শঙ্গোম কয়াম পুথোকপগে হায়বদুগী মতুংইন্না পীজবীগদৌরিবা মফোনগী শরুক অদু হেনবা, ৱাৎনা পীজবীবা য়াই।

**(ঙ) লায়না অমদি লায়েংবগী রেকোর্দ ঃ**

লায়না অমদি লায়েংবগী রেকোর্দসিনা মমাঙদগী কয়াম য়াম্না লায়না লায়ওং উৎ-খ্রগে অমদি লায়েংবগী মওং খঙবা ঙমহল্লি। মসিনা অমুক হঞ্জিন্না নারক্তনবা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা পায়খৎপা ঙমহল্লি। রেকোর্দ অসিদগী তোঙান তোঙানবা শা-ষণগী হকচাংগী ফীভম খঙবা ঙম্বতা নত্তনা মতম চানা টিকা থাবা, তীলহাৎ হীদাক থাবা ঙমহল্লি। রেকোর্দসিগী মতেংনা থাখ্রিবা হীদাকশিংদুগী মতুংইন্না পুথোক্লিবা শা-ষণগী পোথোকশিংদু কয়াম কুইনা মীওইবনা চাবা য়াদবগে হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। রেকোর্দ থম্বা মতমদা লায়না লাকপগী নুমিৎ, টিকা থাবগী, তীলহাৎ হীদাক থাবগী, শিখ্রগা পোষ্ট মোর্টেমগী রিজল্ট কয়া অমা হাপ্পীগনি।

**(চ) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ**

শা-ষণ য়োকপদা চঙখ্রিবা অমদি লাক্লিবা খুদিংমক রেকোর্দ থম্বীগনি। অসিগুম্বা রেকোর্দশিংগী অমাঙ অতোং খঙদোক্লগা ফার্মদুগী ৱারেপ কয়া অমা লৌবা ভমহল্লি।

রেকোর্দ শেম্বগী মওং খরা ঃ

**ক) মচা লৌবগী রেকোর্দ ঃ**

| ষণ ন: | | | | |
|---|---|---|---|---|
| অকোনবা মচা পোকপা | ডাক্তরনা য়েংবা নুমিৎ | য়েংবগী রিমার্ক | মচা লৌবা নুমিৎ | মচা পোক্কদবা নুমিৎ |
| | | | | |

**খ) লায়না লাকপা অমদি লায়েংবগী রেকোর্দ ঃ**

| নুমিৎ | শা ন: | লায়না মখল | লায়েংবা মওং | রিমার্ক |
|---|---|---|---|---|
| | | | | |

**গ) টিকা থাবগী রেকোর্দ**

| নুমিৎ | টিকা থাবা | টিকাগী মখল অমদি চাং | রিমার্ক |
|---|---|---|---|
| | | | |

**ঘ) তীল হীদাক থাবগী রেকোর্দঃ**

| নুমিৎ | তীল হীদাক থাবা | তীল হীদাক মমিং অমদি মখল | রিমার্ক |
|---|---|---|---|
| | | | |

**ঙ) মচিঞ্জাক পীজবগী রেকোর্দ ঃ**

| নুমিৎ | শা মশীং | মচিঞ্জাক পীজবা (কেজি) | | | রিমার্ক |
|---|---|---|---|---|---|
| | | অয়ূক্তা | নুমিদাংৱাইরম | পূন্না | |
| | | | | | |

**চ) ষণাও মচাগী রেকোর্দ ঃ**

| ন: | পোকপা নুমিৎ | লাবা/অমোম | মপা ন: মমা ন: | রিমার্ক |
|---|---|---|---|---|
| | | | | |

অসুম্না শা-ষণ লোয়বিরিবশিংনা রেকোর্দ নীংথিনা থম্বীরগদি মতম মতমগী ওইবা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বতা নত্তনা হেন্না শেন্দোং লৈনা শা-ষণ য়োকপা ঙমগনি। ●

# অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা মহৌশাদগী চত্থদুনা লাক্লিবা মহৌশাগী খল কায়হন্দবা মওংদা ঙা য়োকপগী থৌওং অমা

ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া অসি ফুরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দামিন্নবা মফম অমনি। মফম অসিদা লৈরিবা ষ্টেট খুদিংমক মশা-মশাগী ওইবা চৎনবী অমদি সংস্কৃতি লৈজে। হায়রিবা মফম অসিদা লৈঙাক্কী ওইবা ষ্টেট নিপাল লৈ। হায়রিবা ষ্টেটশিং অদুদি অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ, মেঘালয়া, ত্রিপুরা অমদি সিক্কিমনি। লমদমশিং অসিদা চহী চূপ্পা নোং চুই। তৌইগুম্বসুং নোং চুবগী চাং অসি মে থাদগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা খরা হেন্না চুই। নোং চুবগী চাংনা মিলিমিটর ২০০০দগী মিলিমিটর ৪০০০ ফাওবনি। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং চীংগী লমনা অয়াম্বা ওইবা মরম্না য়ামখ্রবা নোংগী ঈশিং অয়াম্বা অরেম্বদা চেন্থখিদুনা লৈবাক লৈহাও চেন্থখিবদা মতেং পাংলি।

চেন্থখিগদৌরিবা ঈশিংবু মফম চানা তুংহন্দুনা থম্বা হায়বসি মহৌশাদগী পাঙথোক্লদুনা লাক্লিবা থৌওংনি। অসুম্না ঈশিং হার্বেষ্ট তৌবা অসিনা ঈশিং ঈচাও থোকহন্দবা, লৈবাক লৈহাও চেন্থদুনা মাঙহনদবা, পাম্বী কয়া থাবদা দরকার ওইবা ঈশিং পীবা, মসিদসু নত্তনা শা-ঙা কয়া অমদি মীওই কয়াগী দরকার ওইবা ঈশিং পীবা ঙমহল্লি। লমদম অসিদা মহৌশাদগী হৌনা ঈশিং অমদি লৈবাক লৈহাও মাঙহন্দবা থৌওং কয়া চত্থদুনা লাক্লি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদগী অমত্তং থমজগে।

১) অপাতালি সিষ্টম ওফ ফার্মিং : হায়রিবা থৌওং অসিদা পোৎশক কয়ামরুম হায়বদি লৈবাক, ঈশিং অমদি লৌউ-পথাপ পূন্না পুনশিন্দুনা লৈবাক লৈহাও মাঙহনদবা অমদি ঈশিংবু ঙা য়োকপা অমদি লৌ উবা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা থৌওংদা শীজিন্নৈ। হায়রিবা থৌওং অসি অরুনাচল প্রদেশতা পাঙথোকপা থৌওং অমনি। হায়রিবা থৌওং অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা মরমদি চীংগী লম ওইবনা লৌউ-শিংউবা অমদি ঙা য়োকপদা খুদোংচাবা মফম য়াম্না লৈতবা। হায়রিবা মরম অসিনা মরু ওইবা মরম ওইরগা লৈজরিবা মফম খরা অদুদা চানবা মওংদা পাঙথোকপা য়াবা থৌওং পুথোরকপনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা চীংদগী চেন্থরকপা ঈশিংশিং চীংখোঙদা তুংশিনহল্লগা নালা মথং-মথং শেমগৎলক্তুনা লৌ উবা (লৌ মরক্তা ঙা য়োকপা) নচিংবা থৌওংশিংদা মথং মথং



শীজিন্নবা য়াহল্লি। লৌফম অমদগী অহেনবা ঈশিং অদু ইনলেট/আউটলেটশিংদা চেলহন্দুনা ঈশিংগী চাং অকক্লবা লেভেল অমদা লৈহল্লি।

হায়রিবা থৌওং অসিদা লৌ উবা অসি ফেব্রুৱারী থাদগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা হৌই। লৌহোন শেম্বা অসি মফম চাবা অমদা তৌই। অদুগা লৌবুক্তা লিংথোকপগী থবক অসিনা এপ্রিলদগী মে থা ফাওবগী মনুংদা তৌই। করিগুম্বা মতমদা জুনদগী জুলাই থা ফাওবদা তৌবসু য়াওই। লৌহোলশিংদু লিংথোকত্রিঙৈদা ঈশিংদা থমদুনা চোৎহনগদৌবনি। লৌবুকশিংগী ঈশিং সেন্টিমিটর ১০ ওইহনগনি। তৌইগুম্বসুং লৌনা মপান শাবা হৌরকপা মতমদা অমদি ফৌনা মুল্লকপা মতমদা ৱাংহল্লি। ঈশিং কংহনবা মতমশিং অসিদা ঙাশিংনা কোম ওইনা তৌথদুনা থম্বা মফমশিংদা কুমথ-খদুনা মতম খরা অমুক লেল্লি।

ঙা থাদবগী মতম অসি লৌ লিংখ্রবা মতুং থা অমা শুরকপা অদুৱাইদা হৌবা য়ারে। থাদগদৌরিবা ঙাগী চাওবগী চাংদি সেন্টিমিটর ৪০দগী ৫০ ফাওবা শাংবা ঙানা খ্বাইদগী চান্নে। ঙাশিং অসি য়োকপগী মতমসু চাওরাক্লা থা মঙারোম খক্লি। মফম মতমগা চান্নবা ফৌ মখল অমদি ঙা মখল অদুমক শীজিন্নবীবা য়াই। অপাতানিগী ওইনদি মখোয়গী লমদমদা ফংবা ফৌ মখল শীজিন্নৈ। অদুগা ঙা মখলদি রৌ, কটলা, ম্রিগল, পুকলাওবীনচিংবা য়োকপীবা য়াই।

অপাতালি সিষ্টম ওফ ফার্মিংগী মতাংদা শুগাইনা থমজদ্রবসু মতাং অসিদা ঐনা থমজনীংবা ৱাফমদি ঐখোয়গী মণিপুরদসু মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌওং অসিগুম্না পাঙথোকপা য়াবা মফম কয়া লৈরি। মরম অদুনা থৱায় য়াওবা মীওইশিংনা পূক্নিং চিংশিনবীদুনা ঙা অমদি লৌউ শিংউবগী পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# চুজাক পাম্বীদা মচিঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওং অমসুং চুমথোক্লবগী পান্থে

ডো. ৱাইখোম জিতেন

লেংলি পাল্লিবা জীব খুদিংমক মচিঞ্জাক য়াওদনা হিংবা ঙমদে। অসিগুম্বা মচিঞ্জাক্কী মখলশিং অসিগী মনুংদা অমা নৎত্রগা অমা ৱাৎপা মতমদা মখোয়দা তোঙান-তোঙানবা লায়ওংশিং উৎথোরকই। মতৌ অসুম্না চুজাক হায়রিবা পাম্বী মখল অসিদসু মখোয়না দরকার লৈরিবা মচিঞ্জাক মখলশিংগী মনুংদা অমা নৎত্রগা অমা ৱাৎপা মতমদা তোঙান তোঙানবা লায়ওংশিং উৎথোরকই। চুজাক অসি মহৌশানা মচিঞ্জাক য়াম্না দরকার লৈবা পাম্বী অমা ওইবনা মরম ওইরগা মখোয়না দরকার লৈবা চাং অদু লৌফমদা হাপ্পীদ্রবদি মচিঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওং অসি হেক্তমক উৎলকই।

**নাইট্রোজেন ৱাৎপগী লায়ওং :-** পাম্বীগী অরিবা মনাশিং কংশিল্লক্কনি অদুগা ময়ায় ওইনা




লিরবা মনাশিংনা হঙ্গাম মপাল মচুদগী চরু মচু ওইশিল্লকপা ফাওবগী মওংদা লৈবগা লোয়ননা অনৌবা মনাশিংগী অশংবা মচু অদু ৱাওথরক্কনি হায়বদি য়াম্না শংনা উরোই। নাইট্রোজেন অসি পাম্বী মনুংদা মফম অমদগী অমদা য়াম্না চৎকনবনা মরম ওইদুনা নাইট্রোজেন ৱাৎপগী লায়ওং অসি অরিবা মনাশিংদা হান্না উৎলক্কনি। নাইট্রোজেন ৱাৎপা পাম্বীশিং মনাগী মচু ওনবগা লোয়ননা চাওদম থিনগনি, পানগদৌবা মহৈ পিকপগা লোয়ননা মহৈ অদুদা পানগদবা চুজাক মরূগী মশীং হন্থগনি।

পায়খৎপীগদবা থবক থৌরম :- পাম্বী থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৌফম অদু চাংয়েং তৌথোকপীদুনা লৌফম অদুদা য়াওরিবা চাং অদু খঙদোকপীরগা দরকার লৈবা চাং অদু হাপ্পীনবা হোৎনগদবনি। দরকার লৈবা অপূনবা নাইট্রোজেনগী তঙ্খাই অমা থাদ্রিঙৈদা হাপ্পীহৌরগা লেমহৌরিবা তঙ্খাই অদুনা অনীরক থোক্লা চাইবীগদবনি। দরকার লৈবা নাইট্রোজেনগী চাং অদু ফংবীনবগীদমক ষন্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা য়ুরিয়া শীজিন্নবীগনি। দরকার লৈবা নাইট্রোজেনগী চাং অদু হান্নবা শীজিন্নবা য়ানবগীদমক Azospirillum হায়রিবা biofertilizer অসি মরূ কেজি খুদিংদা গ্রাম ২০গী চাংদা তোৎপীগদবনি। অমরোমদা অমুক চুজাক থাখিবা লৌফমদা হৱাই মখল অমা নৎত্রগা অমা শোয়দনা থাবীগদবনি। নাইট্রোজেন ৱাৎপগী লায়ওং উৎলবা পাম্বীসিদা য়ুরিয়া গ্রাম ৩০০না ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা নুমিৎ ১০/১৫ কান্নরগা কাপ্পীবা কান্নে।

**ফোসফোরস ৱাৎপগী লায়ওং :** ফোসফোরস ৱাৎপা পাম্বীশিং চাওদম থিল্লি, পাম্বীশিং ময়াং কংঙি, মপূং ফাবা থিন্থবগা লোয়ননা মরূ চঙবগী চাং নেমই। ফোসফোরস ৱাৎলবা পাম্বীগী অরিবা মনাশিংগী মপান থংবা শরুকশিং অদু কোম্বীরৈ মচু চঙলকই অদুগা কঙশিল্লকই। অসুম্না মনাগী মচু ওনবা অসি মনাগী মতোন থংবা শরুক্তগী হৌরক্লগা মখোকলোমদা অসুম চঙশিল্লকই। নাইট্রোজেন্দা তৌবগুম ফোসফোরস ৱাৎলবা পাম্বীশিংসু অরিবা মনাশিংদগী হান্না লায়ওং উৎথোরকই।

**পায়খৎকদবা থবক থৌরম :** পাম্বী থাদ্রিঙৈদা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমনি। অদুগা দরকার লৈবা ফোসফোরসকী শরুক অদু ষন্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা রোক ফোসফেট/সিঙ্গল সুপর ফোসফেটতগী লৌবীদুনা ফোসফোরস ৱাৎপনা মরম ওইদুনা পোৎথোক চাথোক হন্থগদবদগী ঙাকথোকপীগদবনি। অমরোমদা অমুক ঐখোয়না শীজিন্নগদবা ফোসফোরসকী চাং হন্থবা য়ানবা অদুগা চাইরিবা হার খরা অদুসু নিংথিনা পাম্বীনা লৌশিন্দুনা পোৎথোক চাথোক হেনগৎহন্নবগীদমক Phosphate solubilising bacteria (PSB) শিং শীজিন্নবীগদবনি। মসিনা অকোয়বগী খল কায়দনা থম্বদা মতেং পাংবগা লোয়ননা ওর্গানিক ফার্মিংদা লাক্লবগী লন্বী ফাৎকদৌরিবনি।

**পোটাসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং :** পোটাসিয়ম ৱাৎপা লৌফমদা হৌবা চুজাক পাম্বীশিংগী মতাং অদু ইতেন তেল্লি, মুনা শংগদবদু শংদে। পোটাসিয়ম ৱাৎপগী লায়ওং অসি অরিবা মনাশিংদা হান্না উৎলক্কনি। অরিবা মনাগী মতোন্দগী কংশিল্লকপদুনা মনাগী মপান্দগী হৌরগা মখোক লোমদা চঙশিল্লক্কনি। মনাগী মচু ওনবগা লোয়ননা কংশিল্লকপগী মওং অসি পোটাসিয়ম অমসুং নাইট্রোজেন অনীগী মরক্তা খেন্নে।




*পোটাসিয়ম ৱাৎপগী কংশিল্লকপা মনাগী মওং*




*নাইট্রোজেন ৱাৎপদগী কংশিল্লকপা*

পোটাসিয়ম ৱাৎপা পম্বীদা পানবা মহৈশিং অদু পিকপগা লোয়ননা মহৈগী মতোন অদু মরূ চংদবা অমদি মতোন খংতুম তুমশিনবা থেংনবীগনি। পোটাসিয়ম ৱাৎলবা পাম্বীশিংগী লৈবাক্কা নক্লবা মখোক্কী শরুক অমসুং মনাগী মখোক্তা ঙাংলৈনবা মরুম মরুম লৈবা থেংনগনি।

**পায়খৎপীগদবা থবক থৌরম :-** পাম্বী থাদ্রিঙৈদা দরকার লৈবা মচিঞ্জাক্কী চাং অদু খঙনবগীদমক লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপা কাউবীবা য়াদে। কা হেন্না শিনবা লৌফমদা শুনু শীজিন্নদুনা অশিনবগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনগদবনি অমদি পাম্বী থাদ্রিঙৈদা ষন্থি-ষণয়ুং ত্রেক্টর ত্রেলর মপোৎ ৫-৬ ফাওবগী চাংদা লৌ পরি অমগী লৌফমদা চাইবীগদবনি। মথক্তা পল্লিবা পোটাসিয়ম ক্লোরাইদ, পোটাসিয়ম সলফেট নৎত্রগা পোটাসিয়ম নাইত্রেট অসি লৌফমদুদা দরকার লৈবা চাং অদু পাম্বী থাদ্রিঙৈদা শরুক অহুম থোকপগী অনী হান্না চাইশিনবীগদবনি।

মতৌ অসুম্না পাম্বীদা উৎথোরক্লিবা লায়ওং অদু মুন্না খঙবীরগা মখা তাবা করি পায়খৎকদগে হায়বদু কাঙলোন চুম্না পায়খৎপীদুনা শেন্থোক লৈবা লৌমী অমা ওইনবা হোৎনরসি। ●